## সিক্যুরিটি ঙাক শেঞ্জবা ঙম্মী

দুবাই, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

ইরান অমসুং অতৈ গল্ফ ষ্টেটশিংনা লমদম অদুগী সিক্যুরিটি ঙাক-শেঞ্জবা ঙম্মী অমসুং লমদম অদুদা ফোরেন ফোর্সশিং থম্বগী তঙাই ফদবা লৈতে হায়না প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। লমদম অদুদা মমাংঙৈদগী হৌনা য়ু এস মরিটাইম সিক্যুরিটি মিসন অমা থম্বগী ৱাফম য়ানিংদনা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবদু নৌহৈননা নীংশিংলদুনা রোহানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

## সিরিয়ন ৱারপ্লেন কাপথখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

ইদলিব প্রোভিন্সতা সিরিয়ন ফোর্সেসকী ৱারপ্লেন অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কাপথখ্রে হায়না জিহাদিস গ্রুপ টাহরি অল-সাম্না ক্লেম তৌখ্রে।

গ্রুপ অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মখোয়না সাউদর্ন ইদলিবকী অল-তমনা টাউনগী মনাক্তা রসিয়ানা শাবা সুখোই ২২ ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা জেট অদু কাপথখিবনি।

# য়ু এসকী অনৌবা মিসাইলশিং থমজিল্লকপা হায়বসি অফ-ফত্ত খঙদবগী থৌওংনি



নোর্থ কোরিয়া মিদিয়া, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা লৈমায়দগী কাপ্পা ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ মিসাইলশিং থমজিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং খুদিংমক্লা অনৌবা কোল্ড ৱার অমা হৌদোকহনগনি অমসুং লমদম অসিদা খুৎলায় লমজেন হেনগৎহনগনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্কস ঈস্পরনা থা অসিদা এসিয়াদা লৈমায়দগী কাপ্পা ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা ৱাফম অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা রসিয়াগা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্টরমিদিয়েট ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস (আই এন এপ) ট্রিটিদগী ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিক লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপ্পা মিদিয়ম-রেঞ্জ মিসাইলশিং এসিয়াগী লমদমদা দিপ্লোই তৌনবগী থৌরাং অমা খন্নরক্লি অমসুং সাউথ কোরিয়াবু মিসাইলশিং অদু দিপ্লোই তৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইনা খন্দোক্লি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা হায়খি।

কে সী এন এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসনা খন্নরক্লিবা থৌরাং অসিনা রিজনেল টেন্সন হেনগৎহন্দুনা ফার ইষ্টর্ন রিজন্দা অনৌবা কোল্ড ৱার অমসুং খুৎলায় লমজেল অমা লাকহল্লগনি। য়ু এসকী অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিংনদি অসিগুম্বা খুৎলায় দিপ্লোই তৌবা হায়বসি চহী কয়া ৱাৎলিবা থবক ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

হীরম অসিগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, অমেরিকান ইন্টরমিদিয়েট -রেঞ্জ মিসাইলশিং লৈবাক অসিদা থম্নবগী মতাংদা খন্নবা লৈতে অমসুং অসিগুম্বা আইদিয়া অমা খনবগী থৌরাংসু লৈতে। কে সী এন এগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হন্দক্তা য়ু এসকী টর্মিনেল হায় অল্টিট্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) সিষ্টেম হায়না খঙনবা বলিষ্টিক মিসাইলশিংবু লমখাংদা থৎনবা নৎত্রগা কাপথনবা মওংদা দিজাইন তৌবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসিবু থল্লিবা সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি সাইটশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনখিবা খোঙথাংবুসু ক্রিটিসাইজ তৌখি।

# সোমালিয়াগী গভর্নমেন্ট মিলিটরি বেজদা নোংমৈ কাপশিনখ্রে, কার বোম পোকখায়হনখ্রে



মোগাদিসু, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

সোমালিয়াগী খা থংবা লৱার সাবেল্লে রিজন্দা লৈবা গভর্নমেন্ট মিলিটরি বেজ অমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কার বোম পোকখায়হন্দুনা লান্দাখ্রে হায়না মফম অদুগী মীওই কয়ানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা অল-সাবাব গ্রুপনা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

কেপিটেল মোগাদিসুগী খা নোংচুপ রোমদা কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা সাবেলি তুরেল পরিংদা লৈবা এগ্রীকলচরেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা আওধিগ্লেদা অয়ুক অঙনবদা এটেক অদু চথখিবনি।

ঐখোয়না সোমালি মিলিটরি বেজ মায়কৈদগী অচৌবা পোকখায়বগী মখোল অনীগা লোয়ননা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি। লান্মী কয়া মশা কঞ্জনবগীদমক্তা বেজ অদু থাদোক্তুনা চেন্নখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় কয়া শিখ্রবগে হায়বা ঐখোয়না হায়বা ঙমদে হায়না অওধিগ্লেদা লৈবা অদেন অব্দুলাহি কৌবা অহল ওইরবা মীওই অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি। এটেক অদুবু অল-সবাবনা ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়না লান্মী ৫০ হাৎখ্রে অমসুং মখোয়গী ফাটর অনীসু শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। ফাইটর ২ অদু কার বোম অনী থৌখিবা মুজাহিদিনশিংনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

# অফঘানিষ্টান্দা মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহনবা লেপ্পবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা আপিল তৌখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগা তাইনবা বোর্দর মনাক্তা লৈবা নোংপোক থংবা প্রোভিন্স অমদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা ওপরেসন অমদা মীচম ১১ শিখিবগী রিপোর্টশিং য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফেঙদোকখ্রে।

চহী ১৮ শুরক্লবা লান অদুবু লোইশিন্নবগী পান্দমদা এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টালিবান্না নিগোসিএসন চথবনচিংবা হোৎনবা লৈরবসু অফঘানিষ্টান্দা মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকপগী চাং ৱাংখৎলকখি। গভর্নমেন্টকী মরু ওইবা সিক্যুরিটি এজেন্সি নেসনল দিরেক্টোরেট ওফ সিক্যুরিটি (এন দি এস)না ফোঙদোকখিবদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা পাক্তিয়া প্রোভিন্সতা পাঙথোকখিবা ওপরেসন অদু টালিবানগী লোৎফম অমদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি অমসুং শিখিবা মিলিটেন্ট ১১ গী মনুংদা কম্মান্দর অনী য়াওখি।

অফঘানিষ্টাদা লৈরিবা য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসননা হায়খি মদুদি, সর্চ ওপরেসন অমদা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবগী থৌদোক অসি মিসন অসিনা হকচিন্না লৌই অমসুং হ্যুমেন রাইটস টিম অমনা য়াম্না থুনা থীজিল্লগনি। অসিগুম্বা ওপরেসনশিং পাঙথোকপা মতমদা শরুক য়ারিবা কাঙবুনা থৌদাং য়াজবগী তঙাই ফদবা লৈ। মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহনবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না এজেন্সি অসিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মফম অদুগী পোলিটিসন অমনা ফোঙদোকখিবদা, মুস্লিমশিংগী কুম্মৈ ইদ অল অধাগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা পুন্দুনা লৈরিঙৈদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা এটেক তৌখি। য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয় অমনা মহাক্কী ক্লাসমেটশিংবু চাকলেন অমা চামিন্ননবা কৌদুনা মফমদুদা পুনখিবনি হায়না পাক্তিয়াদা লৈবা প্রোভিন্সিএল কাউন্সিলগী অল্লাহ মির খান কৌবা মেম্বর অমনা রোইটসতা হায়খিবনি।

# চাইনানা হোং কোংগী প্রোটেষ্টরশিংবু টেররিষ্টশিংগা মান্নে হায়খ্রে

হোং কোং, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং টেররিষ্টশিংগা খেন্নবা লৈতে হায়না চাইনাগী হোং কোং লিএজন ওফিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হোং কোংগী বোর্দর তম্না চাইনিজ ট্রুপশিং চঙশিনখ্রে হায়রদুনা সিটি অদুদা ঈংনা চিক্লা লৈনবা আপিল তৌখিবা মতুংদা লিএজন ওফিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

বৈজিংদা বেজ তৌবা হোং কোং এন্দ মকাও এফেয়রস ওফিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, মীশি-মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া থোকহনবা য়াবা য়াম্না কা হেনবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিং লোগী মতুং ইন্না অকনবা চৈরাক পীগদবনি ।



হোং কোংগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা অমুবা ফিজোল শেৎপা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং রাইয়ট পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবা মতুংদা চাইনাগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অকনবা ৱাহৈশিং অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইরাং অদুদা মালেমগী খ্বাইদগী মথৌ চিনবা ট্রান্জিট হবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এয়রপোর্ট অদুদা নুমিৎ নিনি ফ্লাইট চা কয়া লেপখিবনি।

এয়রপোর্টকী ইরাং অদুগী মতুংদা চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়ানা হোং কোং পুলিসকী থৌওংশিং শৌগৎখিবগা লোয়ননা কা হেনবা তৌবা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখি। ৱর্করশিংনা লৈমায়দা তৈরিবা ঈ তৈথোকপগা লোয়ননা অকায় অতোইশিং শেংদোক্লিঙৈ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এয়রপোর্ট অদুদা প্রোটেষ্টর খরা মখা তানা লৈবা উখি।

চেক ইন কাউন্টরশিং মীওই চা কয়াগী ক্যুশিংগা লোয়ননা অমুক হন্না হাংখি। মীওইশিং অদু অহিং চুপ্পা ফ্লাইট ঙাইনরকখিবনি। পুলিস অমসুং প্রো-দিমোক্রিসি প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা চয়োল ১০ মুক্লখিবদা এসিয়াগী ফাইনান্সিল হব অদুদা চাইনিজ কন্ট্রোল লাকখিবা মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইসিস অমা থোক্লকখিবনি।

# ইন্দিয়াদগী চৎখিবা ইস্লামিক প্রিচর তান্থোক্কদবনি হায়খ্রে




কোলা লম্পুর, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়ন ইস্লামিক প্রিচর ঝাকির নাইকপু মালেসিয়াদা পার্মিনেন্ট ওইনা লৈহনবগী ৱাফমগী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কেবিনেটনা খন্নখিবদা মিনিষ্টর অহুম্না মহাকপু কাঙলুপ কয়ামরুম লৈরিবা লৈবাক অদুদা কাঙলুপ নাইবা অমসুং ইরাং থোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া ঙাঙ শকখিবগীদমক্তা তান্থোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখ্রে।

মালেসিয়াদা চহী অহুম লৈরক্লবা অমসুং ইন্দিয়াদা হেট স্পীচ পীবগী অমসুং মনি লোন দরিংগী চার্জ কয়া মায়োক্লরিবা নাইক অসি হন্দক্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা হিন্দুশিংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিম মাইনোরিটিদগী শরুক ১০০ হেন্না রাইট লৈ হায়না ফোঙদোক্লুবগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌনখিবনি।

অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ৩২ গী চাদা ৬০ রোমদি মুস্লিমশিং ওইরিবা মালেসিয়াদা কাঙলুপ অমসুং লাইনিং লাইশোন নৎত্রগা লাইনিং লন্বী হায়বসি অরুবা ইশ্যুশিংনি হায়না লৌনৈ। লৈবাক অদুদা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংনা অয়াম্বনা ইথনিক চাইনিজ অমসুং অয়াম্বনা হিন্দুশিং ওইবা ইথনিক ইন্দিয়নশিংনি।

কেবিনেটে মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মালেসিয়ন মিনিষ্টরশিং অদুনা হায়খি মদুদি, নাইক্কী ৱাফমশিং অদু মালেসিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিং অমসুং নন-মুস্লিমশিংগী মরক্তা শিংচেপ থানবগী পান্দমদা হায়খিবা ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। ঐখোয়না ঐখোয়গী ফিরেপ খঙহনখ্রে। মালেসিয়ন ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা এক্সন লৌখত্তুনা ঝাকির নাইকপু মালেসিয়াদা মখা তানা লৈবা য়াহল্লোইদবনি হায়না মিনিষ্টর ওফ টেলিকম্যুনিকেন্স মল্টিমিদিয়া গোবিন্দ সিংহ দিওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মখা তারদুনা মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টরনসু মিনিষ্টরশিংগী ৱাফমদু খঙলে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রোব্লেম অসিগী মতাংদা করি খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বদু খ্বাইদগী থুনা লেপ্পনবা ঐখোয়না মঙোন্দা শীনরবনি হায়খি।

# সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা সরিন য়াওবা বোম থাদখ্রবা টাউন নকশিনখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা সীজফয়ার কায়খিবদগী রসিয়নশিংগী মতেংগা লোয়ননা মখা তানা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্বগী থৌওং অমদা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা ইদলিবতা লৈবা কুমজা ২০১৭ তা সরিন য়াওবা বোম থাদখ্রবা টাউন অমা নকশিনখ্রে হায়না নাকল অনীমক্কী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ফোর্সশিংনা খান সাইখৌন টাউন পাংনা চঙশিনখিবা অদুনা মোরেক, কাফর ঝৈতা অমসুং লতমনেহ টাউশিং য়াওনা য়ুমথংনরিবা হেমা প্রোভিন্সতা লৈবা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা অরোইবা মফম অদু লানগোই চনবা য়াবগী ফিভম লাক্লে হায়রি।



রসিয়নশিংনা শৌগৎপা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা খান সৈখৌন টাউনগী নোংচুপলোমদা লৈবা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা মফম কয়া খুদম চনখ্রে হায়না রেবেল সোর্সশিং অমসুং ষ্টেট মিদিয়ানা হায়খি।

রেবেল কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৪ দগী ওপোজিসনগী খুত্তা লৈরক্লবা টাউন অদু অরুবা ফিভম অমদা লৈরে। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং হৌজিক খান সৈখৌন য়ৌগদবা কিলোমিটর ৪ খক্তা ঙাইশিল্লক্লে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী দিরেক্তর রামি অব্দুল রহম্মন্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭ তা খান সৈখৌনদা সরিন গ্যাসকী এটেক চথখিবদা মীওই দজন কয়া শিখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কেমিকেল এটেক অদু লোঞ্চ তৌখিবা মফমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা সিরিয়ন এয়র বেজ অমগী মায়োক্তা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমা চথনবা ওর্দর তৌখি। য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্সনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী রিপোর্টতা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা কুমজা ২০১৭কী এপ্রিল ৪দা টাউন অদুদা চথখিবা সরিন গ্যাস এটেক অদুগী থৌদাং য়াফম থোকই হায়খি।

# পাকিষ্টান্না কাশ্মিরগী মতাংদা য়ু এন এস সী মীফম পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখিবা মতুংদা সাউথ এসিয়াগী মরা তপ্পা ফিভম অমসুং সিক্যুরিটিদা পোকহল্লক্লিবা অকিবা ফিভমদা পাকিষ্টান য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্সিগী মীৎয়েং চিংশিনখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ইস্লামাবাদতা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা য়ু এন এস সী প্রসিদেন্টতা লেট্টর অমা ইদুনা কাশ্মিরগী মতাংদা লৈরিবা য়ু এন রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনরিবা ইন্দিয়াগী ইলিগেল ওইবা খোঙথাংশিংগী মরমদা খন্নবা কাউন্সিলগী ইমর্জেন্সি মীফম অমা কৌবিনবা তকশিনখ্রে।

কুরেসিনা পোলেন্দগী মহাক্কী লেংমান্নবা জসেক জাপুটোৱিক্সতা কাশ্মিরগী মতাংদা য়ু এন এস সীগী সেসন পাঙথোক্লবা হায়জরিবদুগী মতাংদা খন্নবসু তকশিনখি।

পোলেন্দগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনবা অসি শুপ্নগী ৱারী শান্নবগী খুথাংদা লৈখায় তাবা ঙমগনি। পনবা য়াবদি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়কৈদগীসু ইনিদয়ানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগা ইরোইননা কাশ্মিরগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা পুরক্লবা আপিল তৌবা লৈখ্রবনি।

রোটেসন্দা য়ু এন এস সিগী চ্যের পায়রিবা লৈবাক ওইনা পোলেন্দনা লমদম অদুদা ওইরক্লিবা খোঙথাংশিং কুপ্না য়েংশিনগনি অমসুং পার্টনরশিংগা তৎতনা পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌনগনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

তুংদা ন্যু য়োর্কতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা জাপুটোৱিক্সনা পাকিষ্টানগী লেট্টর অদুগী মতাংদা থুনা খনন-নৈনরগনি হায়না ফোঙদোকখি। কুরেসিনা লেট্টর অদু সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংগী মরক্তা চাইথোকপিনবসু হায়জখি।

# য়ু এসকী অথিংবশিংগী মায়োক্তা চথবা সিগনেচর দ্রাইভতা মিলিটরিসু য়াওশিনখ্রে

করাকাস, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সি) :

য়ু এসনা ভেনিজ্যুএলা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থম্ববু য়ানিংদবা উত্তুনা ভেনিজ্যুএলাগী দিফেন্স মিনিষ্টর ব্লাদিমির পাদ্রিনো লোপেজনা লুচিংদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনল বোলিভরিয়ন আর্মর্দ ফোর্সেস (এফ এ এন বি)গী মেম্বরশিংগী মরক্তা সিগনেচর দ্রাইভ অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী চথবা হৌখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্টর ব্লাদিমির পাদ্রিনো লোপেজনা টেলিভিজনগী খুথাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, আর্মর্দ ফোর্সেসকী মেম্বরশিংনা নোটপেদশিংদা অদুম্না খুৎয়েক পীবনা য়ু এসগী তৌনিংবদা তৌবগী থৌওং অদুবু মিলিটরি য়াওনা ভেনিজ্যুএলাগী মীয়াম্না য়াদে, কন্দেম তৌই অমসুং হঙ্গোই-তুক্কচৈ হায়বসি অমেরিকান ওথোরিটিশিংদা খঙহল্লগনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হৌখিবা ওগষ্ট ৫ দা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা থোক্তুনা য়ু এসতা লৈরিবা ভেনিজ্যুএলাগী এসেট পুম্নমক ফ্রীজ তৌশিনখিবনি। দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থম্লকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অদু নমদুনা অচুম্বা ৱায়েল মায়োক্লহনগদবনি।



এফ এ এন বিগী লান্মীশিংনা জটিষ্টকীদমক্তা খৌরাংনা ঙাইরি। ঐখোয়জা জটিষ্ট পান্মী। ভেনিজ্যুএলাবু শোকহল্লিবা খোঙথাংশিং অসিদা চেন্নবা পুম্নমক নমদুনা ভেনিজ্যুলান জটিষ্টকা লোয়ননা ৱায়েল মায়োক্লহনগদবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। হৌখিবা ওগষ্ট ৮ দা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ক্রিমিনেল ওইবা য়ু এসকী ব্লোকেদ অদুবু য়ানিংদবা উৎনবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী ৭৪ শুবা সেসন্দা মেম্বরশিংদা খঙহন্নবগীদমক্তা সিগনেচর মিলিয়ন কয়া খোম্লবগীদমক দ্রাইভ অমা পাঙথোক্লবা আপিল তৌখিবনি।